HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ঙরাং পাঙথোকখিবা কুমজা ২০২৪গী অরোইবা লোক অদালটতা শরুক য়ারখিবা পার্টিশিংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা জজশিংনা পুক্লিং থৌগৎতুনা এৱার্দ খুৎশিন্নখিবা

শেংদোক্লিবনি হায়দুনা ক্রেদিট কার্দপু ঐখোয়না ... লামায় ২
লামায় ৪ সিবু চুন্নিব্রা ? লান্না লানগী থোকপা হায়দুদা তায়
মরৈবাক নীংবা অমদি নুংশিবা, খন্দোকফম খঙদে ঐ লামায় ৫
লামায় ৬ চীং অমসুং তম থোং মান্নানা চাওখৎনবা থবক তৌরবা...
বিনায়ক দামোদরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা... লামায় ৯
লামায় ১২ রাজমাতা জিজাবাই ট্রোফি ঃ মণিপুরনা ওরিষ্যবু...

ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএশন মণিপুর ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা এসোসিএশন অসিগী লম্ফেলদা লৈবা হোলদা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা 'অমামেকোন-২০২৪' হৌদোকপা থৌরমগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 48, Issue No. 252 | নোংমাইজিং, পোইনুগী থানিল | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, December 15, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# মণিপুর : লান অসুম শাংথরকপদগী লো এন্দ ওর্দর পোরোং থোক্লব্রা

## শলুংফমদা গাড়ী খাম্নু য়াদে হায়দুনা সী দি ওনা কাপশিনবদা খুল ঙাকপা ১ শিরে, ৬ ফারে



লৈখিদ্রবা প্রেমগা লাকমিন্নবনি হায়দুনা খূৎশু-খূৎলায়গা কোন্না ফাখ্রবা মীওই তরুক

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা লান অসিনা হৌজিক থা ২০ চঙশিল্লক্লবা ফাওবগী মনুংদা অহানবা ওইনা খুল ঙাকপনি হায়বা খূৎলায় পায়বশিংদা ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগী অতম্না খূৎ থাদুনা অশি ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ৱাবগাই কৈরক্তা শকখঙদবশিংনা নন-লোকল অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে





শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লবা নন-লোকল অনী

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :** থা ২০ লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা অহানবা ওইনা নন-লোকলশিংবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা থৌদোক অমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ খরা হেল্লকপদা ককচীং পি এসকী মনুং চল্লিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## জিরিবামদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈগী য়ুম অনী বোম পোকখায়হন্দুনা থুগাইরম্লে



বোম পোকখায়হন্দুনা থুগাইরম্লবা সোইবম রাজেসকী য়ূমদা পুলিস লাক্কুনা য়েংশিনখিবা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১১দা জিরিবামগী বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেশনদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবা পীক্লিবা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ পুন্না মীওই ৬ কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখ্রগা তমথীবা মওংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কর্ফিয়ু

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :**
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তা হয়েং অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্লগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকীনা হয়েং অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কোমথোক্কনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অনীসিগী মেজিষ্ট্রেটশিংদগী থোরকপা ওর্দরশিংনা হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## শলুংফম থৌদোক্কী মায়োক্তা য়াম্লবা নুপীশিং হৌরকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস):**
ঙসি অয়ূক শলুংফম হায় স্কুল মনাক্তা থোকখিবা থৌদোক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোনা নোংমৈনা কাপ্লদা খুল ঙাকপনি হায়বা নহা অমা লৈখিদবা অমসুং মহাক্কা লাকমিন্নবা মীওই ৬ খূৎশু-খূৎলায়গা কোন্না ফাজিনখিববু য়াম্লবা মৈরা পায়বী নুপীশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মণিপুরগী মীচম কনবা ঙমদবা ইন্দিয়া অসি অসুক্কী মতিক শোনবা লৈবাক ওইরব্রা : অলফ্রেদ

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী মণিপুরদা থোরকখিবা থা ২০ চঙশিল্লক্লবা হাৎন-শুনবগী ঈরাং অসিদা নুপী অঙাং য়াওনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি কনবা ঙমদ্রিবা ইন্দিয়া অসি অসুক্কী মতিক শোনবা লৈবাক ওইরব্রা হায়না আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুএন্সিগী কোংগ্রেস এম পি অলফ্রেদ কানঙম অর্থরনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২



## সী দি ও অমা নোংমৈ শেংবদা মখোঙদা পাল্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :**
ঙসি নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা জিরিবাম পি এসতা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট সী দি ওগী পর্সনেল অমা মহাক্কা পায়বা এ কে ৪৭ রাইফলস অমা শেংবদা শোয়বদগী কাপথোরকপা নোংমৈ মরূ অমনা য়েৎথংবা খোঙদা পান্দুনা শোকপদগী লায়কন্নখ্রে।

